TATA SKY 1 MONTH FREE
LCD 22"
190LT REFRIGE: ₹ 25999
7KG W/MACHINE
JOLLY KAKCHING • VIP THOUBAL • PS NAMBOL
PALACE GATE. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
VIDEOCON HOUSE. SARAJEEVAN. PAONA BZ.

পোক্নফম

32 LCD (NEW MODEL) USB FULL HD
32" LCD
190LT REFRIGE: ₹ 30999
7KG W/MACHINE
JOLLY KAKCHING • VIP THOUBAL • PS NAMBOL
PALACE GATE. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
VIDEOCON HOUSE. SARAJEEVAN. PAONA BZ.



ক্যামগৈ স্পোর্তস একাদেমীনা শীন্দুনা ৯ শুবা লুংনিলা ইলিজাবেত লৈখিদবগী নিংশিং থৌরমদা লুংনিলাগী ফোতোদা লৈ কৎপা




মোনা মীশিদা চেয়বশিং ফারগা মতীক চাবা দন্দি পীয়ু হায়দুনা কোংবা উচেক্লোন্দা রাকৎ মীফম চথবা

গুরু অবুঙহন দাস এন্দ ম্যুজিক সেন্তরগী অভিরাম সঙ্গা দাস ড্রামা পুথোকপগী থৌরম এম এল এ ইবোমচানা মৈরা চুথত্তুনা হৌদোকপা



Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol.37 No. 264 | 10 Pages IMPHAL, MONDAY, NOVEMBER 05, 2012 মেরাগী ২১ নি পানবা, নিংথৌকাবা www.poknapham.in Rs. 3.00

# ঈথৈ-লৌখোং শেম্বীয়ু

*এদিতর,*

মমাঙৈঙে মতমদা অহল-লমনশিংনা খোঙ্গং খূৎকং মতম, নোংজু লাত্ত্রিবৈঙেদা ঈরম-নালা, খোংবান-লূকপান তৌদুনা ইশ্বোল ঈশিং থূমদনবা অমদি লৈনিল কাদনবা লৈপল তাখৎপগী থবক তৌনরম্মী। অদুবু হৌজিক কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা তৌনখিদ্রে। অসিনা মরম ওইরগা হন্দক লাক্লিবা চহী ২০১৩ অসিদি ঈরম-নালা শেমগৎ-শাগৎপদা পূক্নীং চঙবিদুনা ৱার্ক প্রোগ্রাম শেম্বীদুনা প্রজাশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবিয়ু হায়না ইকায়খুম্নজরবা মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী পূক্নীং চিংশিঞ্জরি।

ঈরম-নালা ফত্তবনা তোঙান-তোঙানবা মখল-মখা কয়াগী মীওইশিংদা অৱাবা অমদি অমাঙবা কয়া থোকহল্লি। খরদং পঞ্জরবদা—

১। ঈরম-নালা ফত্তবনা মতম খূদিংমক্তা ইশ্বোলদা ইনশাং-নাপী থাবা য়াহন্দে অমদি লৈনরিবা ইমুং, শূমাঙ কয়া লৈনিল কাহল্লি, চোৎ চোৎ লাউহল্লি অদুনা লায়না কয়াগী হৌরকফম ওইহল্লি।

২। চেন্দবা ঈশিং তূংদুনা লৈবা খোংবান, নালাশিংদা কাঙ মচা মরাঙ কায়না পোকহল্লি। মসিগী খূদম হায়ববু লমদমসিদা চহী চূপ্পা কাঙ চীক্লিবা অসিনা সাক্ষীনি।

৩। নোং খজিক্তং চুবদা শূমাঙ থূম্বা, লম্বী-সোরোক মথক্তা ঈশিংনা খূউ য়ৌনা থূমদুনা খূৎশেমগী ঈচাও থোকহনবা মফম য়ামশিল্লক্লি।

পূম্নমক অসি কোক্লবা প্রজাশিংগী মপী-মপা ওইবিরিবা লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং য়াবিরিবা ইকায় খুম্নজরবা খ্বাই পূম্নমক্না মীয়ামগী খনবিদুনা ঈথৈ-লৌখোং অহানবা প্রাইওরিতি ওইনা পায়খৎপিয়ু।

*অদোমগী,*

**রনবীর ঙাইরাংবম**
খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়
তিনসীদ রোদ